# কোংগ্রেসনা মীখলদা মায়থীবা ফংলগা ই ভি এমদা মরাল থংজিন্দুনা লৈরে ঃ নরেন্দ্র মোদি



ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী): কোংগ্রেসকী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রেমদুদি ওপোজিসন পার্টিনা মীখলদা মায়থীখিবগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা ওন্ন-তৈননা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম)দা মরাল থংজিন্দুনা লৈরে।

প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা মোসন ওফ থেঙ্কসকা মরী লৈননা রাজ্য সভাদা খন্ন-নৈনখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কোংগ্রেসনা মীখলদা মায়থীরগা লৈবাক পুম্নমক মায়থীরে হায়না লৌবা য়াদে। বি জে পিনা মায় পাকপদা লৈবাক্কী অচৌবা মায়থীবনি হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মরম চাবা ৱাৎলে।

হৌখিবা চহী ৫ রোম রাজ্য সভাদা লেজিসলেসন অমত্তা পাস তৌহনখিদবগী মতাংদা কোংগ্রেসপু মরাল শীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, বি জে পি লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা চাওখৎ থৌরাংশিংদা অপুনবা পীখিবগীদমক মীয়াম্না কোংগ্রেসপু মীখলদা মায়থীবা ফংহনখিবনি হায়বা খঙফম থোকই।

‘ৱান নেসন ৱান ইলেক্সন’ য়াওনা এন দি এ লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থৌরাং কয়া অপনবা পীখিবগীদক কোংগ্রেসকী মরাল শীরদুনা মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না তন্বীখিবা মরু ওইবা পারা অমা হৌজিক ফাওবা কোংগ্রেসনা লৌশিনবা ঙমদ্রে। ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম)না মরম ওইরগা ষ্টেট এসেমব্লী অমদি লোকসভাগীমীখলদামায়থীবা ফংখিবনি হায়বা কোংগ্রেসকী ৱাফম অমগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ই ভি এমদা থাজবা থমদ্রিবা মীওইশিং মশানা মশাবু থাজবা থমদ্রে হায়বা উৎচবনি। মতম অমদা বি জে পিগী এম পি অনীখক পার্লিয়ামেন্টতা লৈরন্মী। অদুবু পাটি অসিনা মীয়ামদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎপদগী লৈঙাক পায়বা ঙম্লকখিবনি।

মতম অমদা এম পি অনীখক লৈরিঙৈদা বি জে পিনা মীখলগী থবক থৌরমশিংদা চীংনবা থমখিদে। মীখলদা মায়থীরে হায়দুনা ই ভি এমদা মরাল থংজিনবা তারবদি পার্টি ৱার্করশিংগী মোরেল হন্থরকপা নত্তনা কান্নবা অমত্তা ফংবা ঙম্লোই হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিদা কোংগ্রেসনা ই ভি এম শীজিন্নবা হৌদোরকখিবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মতম অমদা মশামক্না শীজিন্নবা হৌদোক্লম্বা ই ভি এমগী মতাংদা কোংগ্রেসনা হৌজিক চিংনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লিবসি মরম চাদে।

# অৱাংথংবা ইন্দিয়াদা নোংজুথা য়ৌরক্লে, নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ২০ শীরে



ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী): নুমিৎ কয়ানি পন্থরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী অৱাং থংবা ষ্টেট কয়াদা নোংজুথা য়ৌরকখিবগা লোয়ননা মধ্যা প্রদেশ, উট্টর প্রদেশ, হিমাচল প্রদেশ, উট্টরখন্দ অমসুং রাজস্থানদা নোং কন্না চুখ্রে।

উট্টর প্রদেশতা ঙরাং নুমিদাং নোং কন্না চুবদগী নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ২০ শীরে অমসুং অতোপ্পা ১৯না অশোক অপন নংলে। মফম কয়াদা লন্বী থুমজিনখিবগা লোয়ননা অকুৎপা মফমদা লৈবা মীওইশিং খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোংদোকহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

ষ্টেট অসিগী বলরামপুর দিষ্ট্রিক্টতা পুং ১৮ লেপ্তুনা নোং চুরকপদগী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনখি। এম্বুলেন্স অমসু ঈশিং থুমজিনখিবদগী গাড়ি মনুংদা তোংবা মোবাইল মেদিকেল য়ুনিটকী মীওইশিং মতম চানা রেস্কু তৌখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী রেল লম্বী কয়াসু ঈশিং থুমজিনখিবা মরম্না ট্রেন সার্ভিসতা চাওনা অপনবা ওইরে।

কুসিনগরদা স্কুলগী অঙাংশিং তোংবা ভেন অমা লম্বীদা ঈশিং থুমজিনখিবদগী স্কুল য়ৌবা ঙমখিদে। লোকেল ওথোরিটিশিংনা অঙাং পুম্নমক রেস্কু তৌখিবগা লোয়ননা মথৌ চেকশিন্দে হায়বগীদমক ভেন দ্রাইভর ফাজিনখ্রে।

মধ্যা প্রদেশকী ইন্দোরদসু লম্বী অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনবদগী মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। মফম খরদগী লম্বীদগী চেনশিল্লকপা ঈশিংনা য়ুম কয়ামরুম থুমজিনখি। জুলাই ৩ ফাওবা ষ্টেট অসিগী মফম পুম্নমক্তা নোং চুরবা য়াই হায়না ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

রতলম, ঝাভুৱা, অলিরাজপুর, ধার, বরৱানি, উজেন, অগরমলৱা অমদি ইন্দোর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বদা লাক্কদৌরিবা পুং ২৪ চুপ্না অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

অমরোমদা শাবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকখ্রবা হিমাচল প্রদেশতা নোং চুরকখিবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনখ্রে। অদুম ওইনমক ষ্টেট অসিগী কিনোরদা লেন্দ স্লাইদ থোকপদগীচিং লম্বীশিংদা গাড়ি চথোক চৎশিন তৌবা য়াখিদ্রে। লম কোইবা মীওই কয়ানা পাম্না লাক্লবা মফম অমা ওইরিবা সিম্লাদসু টেম্পরেচরগী চাং হন্থরকখ্রে।

মহৌশানা অঙৈংবা মফমনি হায়না লৌনরিবা সিমলাদা খ্বাইদগী শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২৩.৫ য়ৌখি। মনালিদনা সেলসিয়স দিগ্রি ১৮ য়ৌখি। হমিরপুরদদি সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩.১ য়ৌনা শাবগী চাং ৱাংখৎলকপা থেংনখি।

# দ্রাফট এদ্যুকেসন পোলিসিগী মতাংদা মোত কৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী): অনৌবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অমা চৎনহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভিলপমেন্টনা দ্রাফট এদ্যুকেসন পোলিসি শেমখিবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মোত কৌখ্রে।

অনৌবা দ্রাফ্ট এদ্যুকেসন পোলিসিদা কেটগরি ৪ য়াওরি। হায়রিবা কেটগরিশিং অদুদি স্কুল এদ্যুকেসন, হায়র এদুকেসন, এদিস্নেল কি ফোকস এরিয়া অমসুং ট্রান্সফোর্মিং এদ্যুকেসননি। কেটগরি খুদিংমক্কী সব কেটগরি কয়ামরুম লৈবগা লোয়ননা অখন্নবা সবজেক্টশিংগী তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়ামরুম য়াওরি।

স্কুল এদ্যুকেসন সেক্সনদা সব কেটগরি ৮ য়াওরি। হায়র এদুকেসন সেক্সনদা ইন্সটিট্যুস্নেল রিষ্ট্রকচরিং এন্দ কন্সোলিদেসন, প্রোফেস্নেল এদ্যুকেসন অমদি নেসনল রিছার্স ফাওন্দেসননচিংবা সব কেটগরি কয়মরুম য়াওরি।

এদিস্নেল কি ফোকস এরিয়াদনা টেক্নোলোজি ইন এদুকেসন, ভোকেস্নেলএদুকেসন, এদল্ট এদ্যুকেসন অমদি প্রামোসন ওফ ইন্দিয়ন লেংগ্বেজেসনচিংবা সব কেটগরিশিং য়াওরি। ট্রান্সফোর্মিং এদ্যুকেসন সেক্সনদদি রাষ্ট্রিয়া সিকসা আয়োগ হায়বা কেটগরি অমখক য়াওরি।

ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)গী চেয়ারমেন ওইরম্বা কে কষ্টুরিরঙ্গননা চেয়ারমেনবা ওইবা কম্মিতি অমনা দ্রাফ্ট নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি শেমখিবনি। কম্মিতিদা য়াওরিবা অতৈ মেম্বরশিংদি বাসুধা কমত, কে জে অলফোন্স, মঞ্জুলা ভর্গবা, রাম সঙ্কর কুরিল, তি ভি কতিমনি, কৃষ্ণ মোহন ত্রিপাতি মজর অসিফ, এফ এন কে শ্রীধার, রাজেন্দ্র প্রতাপ গুপ্তা অমসুং সকিলা সামসুনি।

অনৌবা দ্রাফ্ট নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসিদা হিন্দি লোল তঙাইফদনা তমহনবগী ৱাফম য়াওরকপদা খা থংবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রবনি।

# অমিতাব কান্তগী মতম শাংদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী): অমিতাব কান্তনা নিতি আয়োগকী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসর ওইবগী মতম চহী ২ শাংদোকখ্রে।

পার্সনেল মিনিষ্ট্রিনা হিরম অসিগী মতাংদা থোকখিব চেরোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, কুমজা ২০২১গী জুন ৩০ ফাওবা অমিতাব কান্তনা ফম অসি পায়রগনি। ময়েক্কীদি থা অসিগী ৩০দা মহাক থবক্তগী পোত্থাগদবনি।

কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারি ১৭তা অমিতাব কান্তবু নিতি আয়োগকী সি ই ওনা খনখিবনি। কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারিদা মতম লোইখ্রবসু মখা তানা চহী ১ শাংদোকহনখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী জুন ৩০ ফাওবা থৌ পুনবা খঙহনখি। নেসনল ইন্সটিট্যুসন ফোর ট্রান্সফোর্মিং ইন্দিয়া (নিতি আয়োগ)কী সি ই ও ওইনা থৌ পুদ্রিঙৈদা মহাক্না দিপার্টমেন্ট ওফ ইন্দষ্ট্রিয়ল পোলিসি এন্দ প্রামোসনদা সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুরম্মী। দিপার্টমেন্ট ওফ ইন্দষ্ট্রিয়ল পোলিসি এন্দ প্রামোসনবু অকোনবদা দিপার্টমেন্ট ফোর প্রামোসন ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইন্টর্নেল ট্রেদ হায়না মমিং ওনখি।

অমরোমদা, অরবিন্দ কুমারবু ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী অনৌবা চীফ ওইনা থৌপুহনখ্রে। অসাম, মেঘলায়া কাদরগী আই পি এস ওফিসর অসি মতম শাংনা ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী থবক তৌদুনা লাক্লবনি।

# গভর্ণমেন্টনা মিদিয়াগী মচিন মেল্লে ঃ কোংগ্রেস



ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী): গভর্ণমেন্টনা মখল কয়াগী থৌওং শীজিন্নরগা মিদিয়াগী মচিন মেনবা হোৎনরে হায়না লোক সভাদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অধির রঞ্জন চৌধুরিনা ফোঙদোকখ্রে।

জিরো অৱারগী মতমদা মহাক্না হায়খি, এদভর্টিসমেন্টকী মতেং লৌরগা লৈঙাক্না মিদিয়াদা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাক্লি। দিমোক্রেসিগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং অসি অথুবা মতমদা লেপকদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মতাং অদুদা স্পিকর ওম বিরলানা অতোপ্পা মেম্বর অমদা ৱা ঙাংনবগী খুদোংচাবা পীখিবা মতমদা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসনা পুখৎখিবা অতৈ ৱাফমশিংদি মনুংদা ইরানদগী মখা তানা থাও লৈবগী ৱাফম য়াওখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানদগী শুংদোক্ত্রিবা থাও লৈবগী মতাংদা অথিংবা কোমথোকখিবগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী ওইবা ফিরেপ ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়না কোংগ্রেসকী মেম্বর মনিস তিৱারিনা তকশিনখি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী এম পি গুরজিৎ সিংহ ওজলানা হায়খি, পাকিস্তানগী পোৎলমশিংদা টেক্স কা হেন্না লৌবগী থৌওং অসিমা অম্রিটসরদা লৈরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। অম্রিটসরগী ইমুং ৫০০ রোমনা পাকিস্তানগা লল্লোল ইতিক তৌদুনা হিংনবগী লম্বী ওইরিবনি। অদুবু পুলৱামাদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী পোৎলমশিংদা টেক্স হেন্না লৌখি। মদুনা মরম ওইরগা পোৎ অয়াম্বগী মমল তাঙ্খৎলকখি।

# সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট কয়াদা ফম লাখ ৬.৮৪ হাঙলি

ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী): থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক্তা গভর্ণমেন্টনা হায়খ্রে মদুদি হৌজিক হৌজিক তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা ফম লাখ ৬.৮৪ হেন্না হাঙদুনা লৈরি।

লোক সভাদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্সনেল জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি, কুমজা ২০১৮গী মার্চ ১ ফাওবদা সেঙ্কসন পোষ্ট লাখ ৩৮.০২ লৈবগী মনুংদা ফম ৬.৮৪ হাংখি।

মীওই কয়া মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থাখিবা, শীখিবা অমসুং প্রামোসন কাখিবনা মরম ওইরগা ফম কয়ামরুম হাংদুনা লৈহৌবনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা মিনিষ্ট্রি নত্রগা দিপার্টমেন্টশিংদা মতাং মতমগী মতুং ইন্না অহাংবা ফমশিং মেনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি।

কুমজা ২০১৯ অমসুং ২০২০দা ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসননা তোঙান-তোঙানবা দিপার্ট মেন্টশিংগী হাংদুনা লৈরিবা ফম ১,০৩,২৬৬ মেনশিন্নবা এইজাম পাঙথোক্লগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা রেলৱে বোর্দনা থবক লৌনবা নোটিফিকেসন ৫ থোক্তুনা ফম ১,৫৬,১৩৮ লৌখি হায়রি।

# লোক সভাদা এস ই জেদ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী): স্পেসল ইকনমিক জোন্স (এস ই জেদ) শীংদা ট্রষ্ট অমসুং এন্টাইটিশিংনা য়ুনিট হাংদোকপা য়াহন্নবগী মতাংদা লোক সভানা বিল অমা ভোইস ভোটতা পাস তৌখ্রে।

দি স্পেসল ইকনমিক জোন্স (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯গী মতাংদা খন্ন-নৈনবদা কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লনা হায়খি মদুদি প্রসিদেন্টনা ওর্দিনান্স অমা চৎনহনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই লৈ। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগা লোয়ননা পুন্না চাওখৎমিন্নবা হায়বা খোল্লাও লাউদুনা লাকখিবগী মতুং ইন্না এমেন্দমেন্ট বিল অসি পাস তৌখিবনি।

কুমজা ২০১১-১২দা বাজ



পায়িগী লৈঙাক্না এস ই বিদা পীরম্বা কন্সেসন পুম্নমক কোংগ্রেস লৈঙাক্না লৌথোকখিবগী মতাংদা মহাক্না ওপোজিসনবু মরাল শীখি। বাবা কলয়ানি কম্মিতিগী রিপোর্ট পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈঙাক্না কম্মিতিগী রিপোর্টতা য়াওবা রিকমেন্দেসন ৩ কুপ্না খন্নরবা মতুংদা এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

মমাঙদা মিনিষ্টরনা বিল অসি হাউসতা পুথোক্লদুনা হায়খি মদুদি, স্পেসল ইকনমিক জোনদা ট্রষ্ট য়াওহল্লকপনা মরম ওইরগা দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টর্নেসনল ইনভেষ্টমেন্টকী চাং ৱাংখৎহনবা ঙম্লগনি। বিল অসিগী মতুং ইন্না এস ই জেদশিংদা ট্রষ্ট অমসুং অতৈ এন্টাইটিশিংনা য়ুনিট হাংদোকপা য়াহল্লগনি।

স্পেসল ইকনমিক জোন্স এক্ট ২০০৫গী সেক্সন ২গী সব সেক্সন ৫ এমেন্দ তৌদুনা য়ুনিট কয়া হাংদোকহনগদৌরিবা থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং ওইনরগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মার্চ ২দা প্রসিদেন্টনা চৎনহনখিবা স্পেসল ইকনমিক জোন্স (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনাস ২০১৯গী মায়োক্তা আর এস পিগী মেম্বর প্রেমচন্দ্রননা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

# ত্রিপল টলাক বিলগী ভোট লৌনবদা টি আর এস য়াওরোইদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী): লোক সভাদা ত্রিপল টলাককী বিল পাস তৌনবা ভোট লৌনবদা টেলঙ্গনা রাষ্ট্রা সমিতি (টি আর এস) য়াওদবা য়াই হায়না পার্টি অসিগী সিনিয়র লিদর অমনা পি টি আইদা ফোঙদোকখ্রে।

টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা লুচিংবা টি আর এসনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদসু চপ মান্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। মমাঙ চহীদা পার্লিয়ামেন্টনা ত্রিপল টলাককী মতাংদা খন্নখিবদা শরুক য়ারবসু পার্টি অসিনা ভোট থাদবা য়াওখিদে হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা পার্টিগী সিনিয়র লিদর অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, বিলগী মায়োক্তা লেপ্লুবা মতমদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লরকপা য়াই। বিল শৌগৎলুবা মতমদসু খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি। মরম অদুনা বিল অসিগী মতাংদা ভোট থাদবা য়াওদনবা ফিরেপ লৌরকপা য়াই।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লোক সভাদা ত্রিপল টলাককী বিল নৌনা অমুক পুথোরকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা অনীশুবা টর্মগী লৈঙাক মতদা খ্বাইদগী ইহান হানবা বিল ওইনা ‘দি মুস্লিম ৱিমেন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিয়েজ) বিল ২০১৯ পুথোরকখিবনি।

**PIS Brick Field (Mechanised)**

(From time to time rate changeable) BRICK SAMPLE PIS

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.40 | 2000 | Rs. 24800 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27400 |
| 1st | Rs. 12.40 | 1500 | Rs. 18600 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.40 | 2000 | Rs. 22800 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25400 |
| 1st Rej. | Rs. 11.40 | 1500 | Rs. 17100 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19100 |
| Peti | Rs. 10.10 | 2000 | Rs. 20200 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 22800 |
| Peti | Rs. 10.10 | 1500 | Rs. 15150 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 17150 |
| 3rd | Rs. 5.90 | 2000 | Rs. 11800 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 14400 |
| 3rd | Rs. 5.90 | 1500 | Rs. 8850 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 10850 |

Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
(.HL-B/4275/7,9,11,13,15.....(alt

SERENE Estd. 2011
Educational Foundation
Nagamapal Soram Leirak, Imphal West, Manipur # 8837444089
FOUNDATION COURSE FOR IX & X (BOSEM & CBSE)
SUBJECT : MATHS SCIENCE S. SCIENCE ENG M.M.
HR. MATHS H. SC COMP. SC. Seperate Classes for BOSEM & CBSE
TUTORIAL CLASS FOR I TO VIII STANDARD (BOSEM & CBSE)
Approach : Self Study hour under Teacher's supervision followed by 2 tutorial classes for 45 min each. Teacher Student ratio 1:10
Regular Handwritting, Vocabulary, Dictation and Weekly Test. Van Service Available
Classes commencing on 20th June, 2019 Timing : 4:45 p.m. to 8:00 p.m.
Post Vacant for : Senior Warden (1 no.) To teach students upto XII Standard (Math/Sc) (Pay : 15K p.m.) Warden (2 nos.) to teach students upto X standard (Sc/S.Sc) (Pay : 10K p.m.) D.T.P. Operator (1 no.) (Pay negotiable)
HL-P/4300/11-30june/1-10july

Study MBBS in India
Oldest & trusted medical GUIDANCE
Direct admission Top Pvt. Medical College Recognised by MCI at law package
Package 40 lacs to 75 lacs
Karnataka (Banglore, Manglore, Shimoga, Tumkur, Sullia, Chitradurga, Kolar).
Uttra Pradesh (Delhi NCR, Lucknow, Kanpur, Mathura, Agra, Meerut, Noida)
Rajasthan (Geetanjali, NIMS, Pacific)
Chennai (Pondicharry)
Pune, Navi Mumbai (Dy Patil, Bharati Vidyapeeth, KIMS)
Aboard MBBS:
# Bangladesh; # Kyrgystan; # Nepal.
BDS, BAMS, BHMS, BCA, Vety Engg, Nursing, Mgt, Agri, Tech. etc.
HUMAN RESOURCE CENTRE
Keishampat Top Leirak, Opp. Sanaleibak Daily News paper, Imphal
Help Line No: 9402938178 / 8794758218
(HL-P/6198/10/5-7/7 (alt

BUMPER DISCOUNT SALE
- UNIFORM WHITE SHIRTS HALF/FULL - 150/- ONLY
- KIDS FULL/HALF CASUAL SHIRTS - 150/- ONLY
- KIDS HALF T-SHIRT (ALL SIZES) - 150/- ONLY
- GIRLS FROCKS (ALL SIZES) - 150-250/- ONLY
- GIRLS JEANS PANT - 295/- ONLY
- GENTS FULL/HALF SHIRTS (OLD STOCK) - 250/- ONLY
- GENTS KURTA - 150-295/- ONLY

AND MANY MORE ITEMS ARE AVAILABLE ON 25% TO 50% DISCOUNT.
NEW FRESH STOCK IS ALSO AVAILABLE
ONLY AT :- BRIGHTWAYS
THANGAL BAZAR, IMPHAL WEST
(HL-B/5380/8-30 (alt

OUR SHINING STARS

1st Position Holder HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM

2nd Position Holder HSLC 2019 (BOSEM) SOPHIYA ASEM
HL-P/4242/31may/1-29june/1-15july

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS X, XISc. & XIISc.
START ON 10th July 2019
2nd FOUNDATION COURSE
XI & XII START ON 12nd AUG.2019
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial

S3 COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR NEW BATCH BOSEM CLASS IX & X ONLY
SUBJECTS ARE - ENGLISH, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE AND MATHEMATICS
ONLY LIMITED SEATS, 20 STUDENTS PER CLASS
CLASS COMMENCING FROM 26TH JUNE, 2019
CLASS TIMING -
MORNING : 4:30 - 7:30 A.M. & EVENING 4:50 - 8:10 P.M.
SOME SEATS ARE VACANT FOR CLASS XI & XII BOTH CBSE AND COHSEM
EXPLORE YOUR EDUCATION QUALITY THROUSH US
* VAN SERVICE AVAILABLE *
Please Contact : 9856331259/6009164004
HL-B/5501/21